# ‘পাকিস্তানগী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং অমত্তা ৱাত্তনা লৈ’



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৫(এজেন্সি):
পাকিস্তানগী এফ-১৬ অমা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৭ তা নোংথক্তা দোগফাইট অমা চখিখিবদা ইন্দিয়াগী জেটশিংগী মনুংদগী অমনা কাপথখি হায়বা ইন্দিয়াগী ক্লেমগী ওন্ন-তৈনবদা য়ু এসনা পাকিস্তানগী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং মশিং থিবদা অমত্তা ৱাত্তনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না মরু ওইবা অমেরিকান মেগাজিন অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা হকথেংননা খঙবা য়ু এস দিফেন্সকী সিনিয়র ওফিসল অনীনা ফোরেন পোলিসি মেগাজিন অদুদা ফোঙদোকখিবদা, অমেরিকান দিফেন্স পার্সনেলশিংনা হন্দক্তা ইস্লামাবাদগী এফ-১৬শিং মশিং থিখি অমসুং প্লেন অমত্তা ৱাৎলম্বা থেংনখিদে।

ফাইন্দিংশিং অদু ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর অভিনন্দন ভর্থমনগী প্লেন পাকিস্তানগী মিসাইল অমনা পানবদগী লৈমায়দা তাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱিং কম্মান্দর অসিনা পাকিস্তানি এফ-১৬ অমা কাপথরমখি হায়বা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ওফিসলশিংগী ক্লেম অসিগা হকথেংননা তায়োন্নরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

নোংথক্তা লান কন্না শোক্নরিঙৈ মতমদুদা ইন্দিয়না মতম শাংনা থাজনা শীজিন্নরক্লবা মিগ-২১ বাইসন অমা পাইরিবা ৱিং কম্মান্দর ভর্থমননা খুদোংচাবা অমা ফংবদগী পাকিস্তানগী এফ-১৬ অদুদা টার্গেট তৌদুনা কাপ্পদা শোয়দনা পাল্লমগনি হায়না ভর্থমন মশানা থাজখিবসু ওইরম্বা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকা নোংথক্তা লান থেংনখিবদুদা পাকিস্তানগী এফ-১৬শিং চেন্নরম্বা য়াই হায়নসু ইভিন্দেন্স খরনা উৎলি। শুপ্নগী এফ-১৬ তনা য়ু এসনা শাবা এ আই এম-১২০ এয়র-টু-এয়র মিসাইল কাপ্পা ঙম্মী হায়রি।

থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা ইন্দিয়ানা য়ু এস লৈঙাক্তা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা এফ-১৬ প্লেন শীজিন্নবদা মীরৈবাক্তা মিলিটরি খুৎলায়শিং য়োনবগী এগ্রীমেন্টশিংগী টর্মস খোঙ্গাওনবা লৈব্রা হায়বদু থিজিন্নবা তকশিনখিবনি।

কাশ্মিরদা লৈবা ইন্দিয়ন মিলিটরি ইনস্টোলেসনশিং টার্গেট তৌদুনা নোংথক্তগী রেইদ অমা পাঙথোকখিবা মতমদা পাকিস্তাননা য়ু এসনা শাবা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং শীজিন্নখি হায়বসি মপুং ফানা প্রুভ তৌনবগী ইভিন্দেন্স ওইনা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮ দা পাকিস্তানি এয়রফোর্সনা কাপ্লকখিবা অমরাম মিসাইলগী মচেৎ মকায়শিং উৎখিবনি।

মেগাজিন অদুগী মতুং ইন্না মীরৈবাক্তা মিলিটরি খুৎলায়শিং য়োনবগী থৌরাং অমা ৱারোইশিন পুরকখিবা মতমদা খুৎয়েক পীনখিবা খুৎলায়শিং অদুবু শীজিন্নগদৌরিবা কাঙবুশিংনা ঙাক্কদবা ৱারমশিং য়াওবা এগ্রীমেন্ট অদুগী শরুক অমা ওইনা পাকিস্তাননা য়ু এসতা পাকিস্তানদা লৈরিবা এফ-১৬শিংগী মশিং লাক্তুনা হকথেংননা থিবিনবা হায়জখিবনি।

# শ্রি লঙ্কাদা পায়খৎকন্দবা প্রোজেক্ট অনীগী লোনশিং এ আই আই বিনা য়াখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৫(এজেন্সি):
শ্রি লঙ্কাদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইথৎ লৈবাক অসিদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অনীগা মরী লৈননা দোলর মিলিয়ন ২৮০গী লোনগী শেনফমশিং এগ্রুভ তৌরে হায়না এসিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক (এ আই আই বি)না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। প্রোজেক্ট অনী অদু এ আই আই বিনা শ্রি লঙ্কাদা পায়খৎপা অহানবা প্রোজেক্টশিং ওইগদৌরিবনি হায়রি।

দোলর মিলিয়ন ২০০গী লোন অমনা কলম্বোদা লৈরিবা ইনকম নেম্বা কম্যুনিটিশিংগী য়ুমলৈ-কৈরৈগী ফিভমশিং ফগৎহন্নবা য়ুম-কৈশিং শাবা অমসুং লম-তুশিং নৌনা শেমগৎপদা শীজিন্নগনি অদুগা অতোপ্পা দোলর মিলিয়ন ৮০ গী লোন অমনা শ্রি লঙ্কাদা লেন্দস্লাইদশিং থোক্লককপা মতমদা অমাঙ-অতা থোকহনবগী চাং হন্থহন্নবগী থৌরাংশিং পায়খৎপদা শীজিন্নগনি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা এ আই আই বিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

অর্বান রিজেনেরেসন প্রোজেক্টতা থাদগদবা শেনফমশিংনা কলম্বোদা হাউসিং য়ুনিয়ন ৫,৫০০ রোম অমসুং অতে মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপদা শীজিন্নগনি হায়রি।

হাউসিং য়ুনিটশিং অদু সিৱরগী ফিভম ফত্তবা অমসুং সোলিদ ৱেস মেনেজমেন্টগী ফিভম ফত্তবগা লোয়ননা য়ুম-কৈশিং কা হেন্না ফিভম শোক্লককপদগী চৈথেং নংদুনা লৈঙাক্লা পীবা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিং অমসুং ইমুংশিংদা পীগনি।

অসুম্না মীয়াম্না খুদোংচাগদবা মওংদা য়ুম-কৈশিং শাবিবনা কলম্বোদা লৈরিবা শেল-থুমদা শোত্থরবা কম্যুনিটিশিংগী পুন্সিগী ক্বালিটি ফগৎহল্লগনি হায়না এ আই আই বিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ ইনভেষ্টমেন্ট ওফিসর দি জে পান্দিয়ননা ফোঙদোকখি।



মহাক্না মখা তারদুনা অফবা অর্বান প্লন্নিংনা সিটি অদুদা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট হেন্না লাকহনগনি লোয়ননা সিটি অদুবু লৈবাক অদুগী ইকনমিক হব অমা ওইহনবদা মতেং পাংলগনি। লেন্দস্লাইদ হন্থহনবগী ইনভেষ্টমেন্টনা হান্না লেন্দস্লাইদ থোকখ্রবা মফমশিং নৎত্রগা লেন্দস্লাইদ থোকপা য়ানা লৈরিবা মফমশিংদা অদুগুম্বা লাইবক থিরবা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিজাইন তৌবা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং পাংলগনি। প্রোজেক্ট অসিদা ঐখোয়না অসুম্না শরুক য়াবা অসিনা দিজাষ্টর হন্থহন্নবগী থৌরাংশিং পায়খৎপা ঙমহল্লগনি। লোয়ননা অতে-অতে ক্লাইমেটকা মরী লৈনবা শাথিরবা থৌদোক কয়া থোক্লককপা মতমদা অমাঙ-অতা থোকহন্দনবগী থৌরাং পায়খৎপা ঙমহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সাউথ চাইনা সিদা বৈজিংনা হেঞ্জিল্লক্লবদি সুইসাইদ মিসন থাগনি হায়না ফিলিপিন্সকী দ্যুটর্টেনো কিহনখ্রে

মানিলা, এপ্রিল ০৫(এজেন্সি):
করিগুম্বা বৈজিংনা সাউথ চাইনাদা লৈবা মানিলানা পায়রিবা ইথিৎ অমদা মীৎয়েং থম্বা লেপ্তবা তারবদি ফিলিপিন্সকী ট্রুপশিং ‘সুইসাইদ মিসন’ অমদা থাগনি হায়না ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনো চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক থা খরা অসিদা স্প্রাটলি ইথৎচেইনদা লৈরিবা মানিলাগী থিতু ইথৎকী অকোয়বদা চাইনাগী হি অমসুং জহাজ ২৭৫ রোম উবা ফংখি হায়না ফিলিপিন্স লৈঙাক্লা ক্লেম তৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা ৱেষ্টর্ন ফিলিপিন্সকী পালাৱান ইথৎতা লৈবা ঈশিং মপানগী সিটি পুইর্টো প্রিন্সেসাদা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা ৱাফম অসি ফোঙ-দোকখিবনি।

সী এন এন ফিলিপিন্সকী মতুং ইন্না দ্যুটর্টেনো রেল্লি অদুদা ঐখোয় মরুপ-মপাং ওইনসি, তৌইগুম্বসুং থিতু ইথৎ অমদি অতৈ ইথৎ কয়াদা শোক্লককপদি তৌগনু হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি করিগুম্বা চাইনাগী মায়কৈদগী ইথৎশিং অদুগী অকোয়বদা পামদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা তারবদি তোঙানবা ৱারী অমা লাকপগী ফিভম লৈ। মতমদুদা ঐহাক্লা ফিলিপিন্সকী লান্মীশিংদা সুইসাইদ মিসন অমগীদমক শেম শাননবা হায়গনি।

অমরোমদা, দ্যুটর্টেনা মহাক্কী ৱাহৈশিংদু ৱার্নিং অমদি নত্তে। তৌইগুম্বসুং মরুপ মপাংশিংদা পীবা পাউতাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। ফিলিপিন্সকী মরু ওইবা ইথৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পালাৱানদগী কিলোমিটর ৫০০ (মাইল ৩১০) রোম লাপ্পা লৈবা থিতু ইথৎতা হৌজিক ফিলিপিন্সকী মিলিটরি গেরিসন মচা অমা অমসুং মীচম ১০০ রোম লৈরিবনি।

পনবা য়াই মালেমগী খ্বাইদগী য়েৎনবা লমদমশিংগী মনুংদা অমা অমসুং মরু ওইবা সিপ্পিং লেন অমা ওইরিবা সাউথ চাইনা সিদা ইনৌ নৌনা কুমজা ২০১৯ হৌরকপদগী টেন্সন লৈরকখিবনি। চাওরবা ঈশিং ঈপাক অদুদা ফিলিপিন্স অমসুং চাইনা লোয়ননা ভিয়েটনাম, মালেসিয়া অমসুং ব্রুনৈ য়াওনা অতৈ লৈবাক কয়ানা মফম কয়া ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌনরিবনি। থিতু ইথৎ লৈরিবা মফম অদুসু চাইনানা লৈবাক অসিগী লমগী শরুক্নি হায়না ক্লেম তৌরি।

হন্দক্তা ইনৌ নৌনা থিতু ইথৎকী মনাক্তা চাইনিজ ভেসেলশিং থুংজিল্লকখিবদা মানিলাগী মায়কৈদগী কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। ফিলিপিন্সগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন এফ্যেরসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা শগোলশেল নুমিত্তা চাইনাগী থৌওং অদু লোগী মায়োক্তা ওইবতা নত্তনা ফিলিপিন্সকী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবগী ময়েক শেংলবা থৌওং অমনি হায়খি।

# পাকিস্তানগী এন এ বিনা ওপোজিসন লিদর সেহবাজ শারিফকী ময়ুমদা রেইদ চখখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৫(এজেন্সি):
ইনকম সোর্সশিংগা চান্নদনা লন-থুম কয়া পৈশিনবগী কেসতা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নাৱাজ (পি এম এল-এন)গী প্রসিদেন্ট অমসুং ওপোজিসন লিদর সেহবাজ শারিফকী মচানুপা হমজা ফানবগীদমক্তা পাকিস্তানগী নেসনল একাওন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি)না ইরাই নুমিত্তা শারিফকী ময়ুমদা রেইদ অমা চখখ্রে হায়রি।

এন্টি-করপসন বোদি অদুনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, ইনকমগী সোর্সশিংগা চান্নদনা লন-থুম পৈশিনবা অমসুং মনিলোন্দরিংগা কেসকা মরী লৈননা হমজাগী মায়োক্তা ফংবা ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা শারিফকী ময়ুমদা হমজা সেহবাজ ফাননবগী টিম অমা চৎখি। এন এ বিগী ওফিসলশিং অদুবু হমজা সেহবাজগী গার্দশিংনা তাথি তাওইনা তৌখি, মখোয়গী ফিরোলশিং শেগায়খি অমদি মখোয়বু হাৎকনি হায়না কিহনখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হমজা সেহবাজনা লো খোঙ্গাওনখি অদুনা মহাক্কী মায়োক্তা ফংলিবা ইভিদেন্সতা য়ুমফম ওইরগা অমদি সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্তিভশিংগী মতুং ইন্না একাওন্টিবিলিটি ব্যুরোনা ফারগনি।



সেহবাজ শারিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপাশিং হমজা অমসুং সলমান এন এ বিগী ইনক্বাইরি কয়া মায়োক্নরি। মখোয়না মায়োক্নরিবশিংগী অদুগী মনুংদা অশিয়ানা হাউসিং স্কেম দল, রামজান সুগর মিলস অমসুং ইনকমগী সোর্সশিংগা চান্নদনা লন-থুম পৈশিনবগী মতাংদা চখবা ইনক্বাইরিশিং য়াওরি।


ওপোজিসন লিদরগী য়ুমদুগী মপান্দা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হমজা সেহবাজনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী পুন্সিদা ইহান হানবা ওইনা মঙোন্দা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংনা টেররিষ্ট অমদা চখবা থৌওং কয়া চখরকপা থেংনরি। টিমশিং অদুনা য়ুমদুদা লাক্লগা মনুংদা চঙনবা হোৎনখি। সুপর-মেনগুম্না ঐহাকপু ফানবা য়ুমদা লাকখি। ইহান হানবা ওইনা পুন্সিদা ঐহাক টেররিষ্ট অমরা হায়বগী ৱাখল পোকহনখি হায়না ফোঙদো-কপগা লোয়ননা অসিগুম্বা রেইদ অমা ইখঙ খঙহৌদনা পাঙথোকপগী করি মথৌ তাবগে হায়না সেহবাজনা হাংখি।

# ব্রেক্সিট: জুন ৩০ ফাওবা চোন্থবিনবা য়ু কেনা হায়জখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৫(এজেন্সি):
ব্রেক্সিটকী মতম মখা তানা জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকপিনবা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা য়ুরোপিয়ন কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রস্কতা চেরোল অমা ইদুনা হায়জখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না য়ু কেনা এপ্রিল ১২ দা ব্লোক অদু থাদোকফম থোকপনি। তৌইগুম্বসুং ৱিথদ্রোৱলগী দিল অমত্তা বৃটিশ এম পিশিংনা এগ্রুভ তৌবা লৈত্রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মেনা হায়খি মদুদি, মহাক্না য়ু কেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী মতম জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহনবা পাম্মী। মসিনা লন্দনদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অদুগা মরী লৈননা ক্রোস-পার্টি নিগোসেএসনশিং চখনবগী অহেনবা মতম পীগনি।



পনবা য়াবদি মহাক্না হায়জরিবা জুন ৩০ গী মতম অসি ইকোন কোনবদা য়ু কেগী মায়কৈদগী হায়জখিবা মতমদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা ঈ য়ুগী মায়কৈদগী ব্রেক্সিটকী প্রোসেসতা মতম খরা হেন্না চঙহনবগী ৱাফম হৌদোরকপা য়াই হায়না থাজনরি। দোনাল্ড ট্রম্পকী ওইনদি ব্রেক্সিটকী মতম চহী অমা চুপ্পা শংদোকপনা হেন্না পাম্মী হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্কী মতুং ইন্না করিগুম্বা য়ু কেনা ৱিথদ্রোৱল দিল অমা রেটিফাইদ তৌবা তারবদি হায়রিবা চহী অসিগী মতম অসি তেনশিনবসু য়াগনি।

‘ফ্লেকটেন্সন’ কৌবা দোনাল্ড টস্ককী মায়কৈদগী ওফর তৌরকখিবা থৌরাং অসি মথংগী য়ুমশকৈশাদা ব্রসেলজতা পাঙথোক্কদবা য়ুরোপিয়ন কাওন্সিলগী সম্মিট অমদা পুথোক্কনি হায়না থৌরাং অদুগী মরমদা খঙবা ঈ য়ুগী দিপ্লোমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং টস্ককী থৌরাং অদু ঈ য়ুগী অতৈ মেম্বর ষ্টেটশিংনা পান্নগদ্র হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

Format C-2

# Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supremont Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name of Political Party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS)

*Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019)

Name of State/UT: MANIPUR

| 1 | 2 | 3 | 4 | | 5 | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl No | Name of Candidate | Name of Constituency | Pending Criminal Cases | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
| | | | Name of Court, case No. & Status of the case(s) | Section of the Acts concerned & brief description of offence (s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | K. James | 2-Outer Manipur (ST) Parliamentary Constituency | SPL. C.R 629/C/2007 Special Judicial Magistrate, Gauhati (No name in the FIR) | Under Section 120B/420/467/468/471 of IPC and Section 13(2) R.W. Section 13(1)(d) of P.C. Act, 1988 | NA | NA |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate
II-Outer Manipur (ST)
Parliamentary Constituency
17th Lok Sabha Election 2019

HL-B/5325/6,8,9

Format C-1

# Declaration about criminal cases

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: K. JAMES
TANGKHUL HUNDUNG KHULLEN,
PHUNGYAR SUB-DIVISION,
P.S. LITAN, P.O. LAMLONG, KAMJONG DISTRICT,
MANIPUR – 795010.

Name of political party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS).
*(Independent candidates should write 'Independent' here)*
Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019).
*Name of Constituency: 2-OUTER MANIPUR (ST) PARLIAMENTARY CONSTITUENCY.

I, K. JAMES (name of candidate), a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

| Sl No | Pending criminal cases | | | Details cases of conviction for criminal offences | |
|---|---|---|---|---|---|
| | Name of Court | Case No. and status of case | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | Gauhati High Court | No. 95/2004 Criminal Appeal No. 300 of 2013 | Under section 468, 471 of IPC and 120B, 420, IPC | Gauhati High Court | Final hearing dt. 12.3.2019 and acquitted vide order 29.3.2019 by Hon'ble Mrs. Justice Rumi Kumari Phukan |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate
II-Outer Manipur (ST)
Parliamentary Constituency
17th Lok Sabha Election 2019

HL-B/5325/6,8,9